ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯹꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেল, জুলাই ০১, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ৯৬শুবা মশীং

# ৱাটর ইজ লাইফ

## ঈশিং ৱাংহন্দনবা করি থৌরাং পায়খৎলবগে

ঈশিংগা মীওইবা য়াওনা থৱায় পানবা পূন্নমক্কা খ্বাইদগী নকশিন্নবা মরী লৈনৈ। চুম্না অমগা অমগগী মরক্তা অচেৎপা মরী লৈনবা নত্তে। হায়বদি মরু ওইবা মরীসি ঈশিংনা মীওইবদা তাংবা নত্তে। ঈশিংনা মীওইবা য়াওনা থৱায় পানবশিংদগী করিগুম্বা মখল অমত্তদা তাংজদে। মীওইবা য়াওনা লৈরিবা থৱায় পানবা পূন্নমক্না ঈশিংগী মপাল তাংবনি। ঈশিং য়াওদ্রবদি মনা-মশিং অমদি উ-ৱা খক্তা নত্তনা থৱায় পানবা পূন্নমক হিংবা ঙম্লোইদৌরিবনি। মরম অসিনা ঈশিংগী মরু ওইবসি মালেমগী মীয়াম্না খঙনরক্লবনি। মসিদগী ঈশিংবু য়োকশিন্দুনা থমদুনা ঈশিং মরাং কায়হন্নবা, হীরম খুদিংমক্তা মসিগী মথৌ তারকপদা কোন্ননা শীজিন্নবা ফংনবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎনবা হৌনখ্রবনি। অদুবু পীক্লবা চীংলোন মাপলনা কোইশিন্দুনা 'লেন্দ লোক কন্ট্রি' অমগী ৱাহন্থোক্কী মনুং চল্লিবা মণিপুরগী মীয়াম্না ঈশিং শীজিন্ননবগীদমক করি করম্বা থৌরাংশিং লৌখৎলবগে ? ৱাফমসি মায়োক্নরক্লিবা 'ৱাটর স্কারসিটি' অসিদগী হংদবা য়ারক্তুনা মায়কৈ কয়াদগী হংনরকপগী ৱাহংনি। ৱাহংসিগী মতিক চাবা, পোজিটিভ ওইবা পাউখুমদি ফংদ্রি। ঙসি-হয়েংসিদা ফংদ্রবসু নুমিৎ খরনিগী মনুংদদি শোয়দনা ফংলগনি হায়বগী থাজবা ফাওবা লৈত্রি। অদুনদি লৈরিবা ফিভমসি মখা তানা অদুম্মক চথরক্লগাদি ষ্টেটসিগী মীয়ামগী পোলোইদা করি ওইরকপা য়াবগে? হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসিসু অদুম্মঙাই। প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ূমথোঙ খুদিংমক্তা থক্লনবা ঈশিং ফংহন্নবা 'হর ঘড় জল' গী স্কিম হৌদোক্লে হায়দুনা কোইচোং চোংদুনা কোইরাং লাংবগী ৱানি। ঈশিং লৈত্রকান্দা কদায়দগী কোৎলুদুনা য়ূমথোঙ খুদিংদা পীগদৌরিবনো ? মসি ওইরগদি ঈশিং য়োকশিন্দুনা, তুংশিন্দুনা থম্বা য়াগদবা পাৎ, তুরেলনচিংবা ৱাটর বোদিশিং শেমগৎপা, মসিগী মশিং য়ামখৎহন্নবা অকনবা থবকশিং লৌখৎফম থোকই। ঈশিংগী ছোর্সসি নোংথক্তগী তারকপখক্তনি। হৌজিক ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা, উরিবা ঈশিংশিংসি নোংগী ঈশিং ঙাক্তনি। লৈনুং হুৎলগা চিংখৎলবসু মদু নোংগী ঈশিংনি। মসি ওইরগদি চহী খূদিংগী নোংজুথা লাকপদা তারক্কদবা ঈশিংশিং অসি মরাং কায়না য়োকশিন্দুনা থমহৌরগা মথংগী নোংজুথা অমমুক লাক্লিঙৈদা মথৌ তারকপশিংদা লেম-পানা শীজিন্নবা কোন্ননবা থমহৌগদবনি। মসিগীদমক হান্নদগী লৈজবা পাৎ-তুরেলশিং শেংদোক্কদবনি। মখোয়বু পীকশিলহল্লক্তনবা হোৎনগদবনি। অদুগা অহেনবা ৱাটর বোদিশিং শেমগৎনবা থবক পন্থদনা পায়খৎকদবনি। মসিদা শেল য়াম্না চঙগনি। চঙজসনু, অমুক্তং চঙখিবা শেনফমদুদগী চহী কয়া লীশাং শিৎনা ফংলক্কদবা কান্নবশিংদুসু মীৎয়েং শান্না উগাদবনি।

অদুবু থবকসি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্লসু তৌদে, মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাকশিংনসু তৌখিদে। লৌউ-শিংউগী মতম য়ৌরক্তুনা ঈশিংগী মথৌ তারক্লবা মতমদতা ৱাটর পম্প সেট য়েন্থোরকই, মসিবু চল্লাইনবা থাও লেম্না পীগে হায়রকই। খা-ৱাং শিনবা থুংনা হারোই-হারোই চেল্লকই। অদুবু ৱাটর পম্প সেট ক্রোর ১ লেম্না য়েন্থোক্লবসু মসিনা চিংখৎকদবা ঈশিংদু লৈত্রগদি মীয়াম্না নুংশিৎ ওইনা চিংখৎলগা ঈশিংগী মহুত্তা শীজিন্নবা য়াগদৌরিব্রা ? ঈশিংগী মতাংদদি ঙাইহাক ঙাইহাক্কী টেম্পররি এরেঞ্জমেন্ট তৌবা য়ারোই। মসিদি চহী খূদিংগী শেল য়াম্না চাদিং তৌগনি। লোং টর্ম প্রোসেস অমা ভিজন অমগা লোয়ননা পায়খৎহৌবা চঙই। মসিগী মতম হৌজিক হেন্দোরক্লবনি। ঈশিংগী তঙায়ফদবা লৈরকপা, লোউ-পান্থা য়ৌরক্লবা মতমদতা খোংবান-লুক্লাং থিরকপগী অমনবা, মতমসিগা চানদ্রবা অরিবা হৈনবিদু থাদোক্লো। অহানবদা ষ্টেটসিগী মহৌশাগী অঙৈং-অশাগী খল কায়থরক্লিবসি থিংনবা অকনবা থবক পায়খৎলু। উমং-ৱামং কোকথোকপা থিংউ। পোম্পী পাম্বী থাবা লোনা য়াদে হায়দুনা পাম্বীসিগী মহুত্তা অতোম্পা পাম্বীশিংনা মহুৎ শিল্লগনি হায়রবদা পেন্থোক্তুনা নুংঙাইথোক্লগা লৈথোক্কনু। চীংগী মহৌশাগী শক্তম থুগায়রগা পোম্পী পাম্বী থারম্বশিংদা হান্নগী ফিভমদুদা হঞ্জিলহল্লু। তুরেলশিংগী হৌরকফম কেটচমেন্ট এরিয়াশিং শেমগৎলু। ৱাটর বোদি মশিং য়াম্না শেমগৎলু। অদুগা মণিপুরগী মীয়াম্না মখোয়গী থবক থৌরম পূন্নমক্তা চহী অমদা অপূনবা ঈশিং কয়াম চঙগদগে হায়বদু হোৎতোক্লগা মদুগী ফংলকপা মশিংদু শুননবা থম্মু। থবকসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংউ। ভোট ময়াদতা সোসল ৱর্করনি হায়দুনা চোংথোরকপা মীওইশিংনসু কম্যুনিতি হোল, মৈরা শঙলেন শাবদা থৱায় য়াওরিবা অদুম্মাইনা ৱাটর বোদিশিং শেমগৎপদসু থৱায় য়াওশিল্লু। হৌজিকসে থক্লনবা পেকেজ ড্রিঙ্কিং ৱাটর ফাওবা মপান্দগী লৈরগা থক্লবনি কাওগনু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২১

১) ৱাখল মচু-মচু, শক্তম মখল-মখল হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

২) পুন্সিগী মরুদ্যান হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

৩) খোঙজি মখোল হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) সুরজকা সাতৱাঁ ঘোড়া হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং হায়না কনানা হন্দোকপগে?

৫) "হৈরেম চা নুরা অতেংবী, লাইজ ঈদা শিবিয়ু মপান্না কোরৌ নুমিৎ মাপন্নি শুনা থিববু থিখঙদরবদা কোরৌ নুমিৎ তরানি শুবদা খোয়নৌ মতা ঙাইরোইনাইনা তাকলৈএ; অদু নোংগীবু হৈরেম লৈমতাকও তৌনা কৌএ।" ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২০গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি

১) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১, ২, ৪, ৫)

২) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (২, ৪, ৫)

৩) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (১, ২, ৪, ৫)

৪) য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় - (২,৪,৫)

৫) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (২, ৪, ৫)

৬) ইবোমচা ওইনাম, শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক - (১, ২, ৪, ৫)

৭) ব্রোজেন্দ্রো সোরোখাইবম, ইরমসিফাই মমাঙ লৈকায় - (১, ২, ৪, ৫)

৮) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৩, ৪)

৯) লাইশ্রম এলেনা, টৌপ খোংনাং মখোঙ - (২,৩, ৪, ৫)

১০) পুয়াম অচৌ খুমনচা, নোংপোক সেকমাই শিখোং বজার - (১, ২, ৪)

১১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৪)

১২) সলাম কুমার, মোংমাইখোং মখা লৈকায়, ৱেষ্ট বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট - (৪)

***১৩) য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১, ২, ৩, ৪, ৫)***

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২০গী ৱিন্নর

*য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায়*

**হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা লিটরেরি ক্যুইজ ২০গী অহানবা মনা ফংলবা মীওই অদুগী মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা শেলগী মনা অসি হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২০গী পাউখুম

১) মণিপুরগী শক্লাইরবা স্কোলর অমসুং কবি অমগী শৈরেং মতেকনি - "ওইরকই থৱায় পান্দবগী জগৎ প্রকৃতিগী/চঙলকই পুন্সি জগৎতা প্রাণময়গী লমদমদগী/ওইরকই পূক্নিং মনোময় জগৎকী নুংশা শ্বরনা/হৌজিক্তি য়াতারি চরাঙননা মীওইবগী পুন্সিনা/খনজৈ মীওইবনা পন্থুংফম য়ৌরেদনা/লোইরেদনা তীর্থ যাত্রাগী খোঙচৎসে।" কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো? ***:- এলাংবম নীলকান্ত সিংহ, লাইরিক: পূক্নিং লৈকোলগী অথুপ্পদা, শৈরেং মমিং : মুক্তিগী খোঙচৎ।***

২) মির্জা মুহম্মদ হাদী রুসৱাগী "উমরাও জান অদা" হায়বসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ***:- এম এম অহমদ।***

৩) "খোইয়ম ব্রহ্মা অচিবা নঙগী সনা তুখোং খুদিংদা তলা উমিৎলোইনা মহৈ চুম্না য়ানবগুম থবী শেনগোইরেন অপানবনা মঙাল য়ুমদা চংলবনিনা ফকলাং লোঞ্জা মিফাৎলমদা উফুন সনা হায়ে কুপকুম হন্দোক হঞ্জিন্ননা ফমফল্লিবী মায়া শক্তি লাইরৈমা নঙোন্দগী শিব মহাদেব চোংথোক্লকএ।" ৱাহৈ পরেং অসি কদায়দগী লৌথোরকপনো? ***:- মৈতৈলোন অরিবগী রাম-নোঙ্গাবা***

৪) মহারাজ কুমারি বিনোদিনী দেবীগী "যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল' ফংখিবা লাইরিক্তু করি লাইরিক্লো? ***:- নূঙ্গাইরক্তা চন্দ্রমুখি।***

৫) মণিপুরী সাহিত্যগী (মণিপুরদা ফোঙবা) অহানবা চেফোঙ অদু করিনো? ***:- মৈতৈ চনু।***

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৩৫

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মমাঙঙৈদা ষ্টেজ শাদুনা শুমাং লীলা শান্নরকপগী মতাংদা ময়ামদা থমজখ্রে। মদুগী মখা খরা ঙসি অমুক চথজগে। ষ্টেজ শাবা হায়না লৈকায়দা শাবীরম্মীসি, মী অহুম-মরি লেপমিন্নবদা য়াম্না নুংঙাইতবা, তঙাইফদনা ঐখোয়না পামজরিবা পর্ফোর্মেন্স স্পেস অদু ফংদবা, পিকক্রু পিকনা শাবীরম্বসু য়াওরিবনি। অদুদদি লীলা শান্নবা নুংঙাইতে, য়েংবদসু নুংঙাইতে, ইচিন-চিন্না অদুম উই। ঐখোয়না লীলা মফম হেক য়ৌবগা ইহান হান্না তৌগদবসি, শাবীরম্মীবা ষ্টেজদুদা কাখৎলগা নোম্ব্রা, তুগদ্রা, অহোবা লৈব্রা হায়বসি নোম-নোমদুনা য়েংগদৌরিবনি। পিক্লম্মগনা ফান খরা হাপচিনখিসি হায়না হায়গনি। শিল্লি-লাংলিবশিংনা ফান লৈত্রে, লৈরিবসিনা য়ানবা অদুম তৌবিরো হায়না হায়গনি। মসিদদি শান্নবদা নুংঙাইরোই হায়না ঐখোয়গীদি ইশেং শেংবদু হায়রুবদা, লীলা কৌরিবশিংগা অঙকপা মরৈ তৌনৈ, য়াম্না শাওনবগা য়াওরিবনি। অদুনা শান্নদ্রিঙৈদগী হৌনা খোইদৌদু শাওগৎলবনিনা, ফরে য়ান-য়ানবা অদুম তৌরসি হায়না লীলা থৱায় য়াওরক্তবা মতাং য়াওরকই। অদুবু ওদিএন্সশিং অদুনদি খঙজদবনিনা, ঐখোয়গী লীলাদু য়েংনি হায়না লাকচরগা য়েংলিবনিনা অদুম থৱায় য়াওশিনখি। মসিগী মরকসিদা য়াম্না নুংঙাইবা অমনা চেরিটি হায়না অমা কন্না তৌরম্বসিদা নুংঙাইবা অমগা থোকখি। মসিমতংদি ময়ামদা তমজরমগে। চেরিটিগী লীলাসি ঐখোয় য়াম্না শান্নখ্রে। মসিদা অহানবদা তৌরম্মীসি লীলা শানবসি দ্রামাগা চপ মান্নবা মওংদা ষ্টেজ শেম্মী। ময়ায়দা নত্তবা, স্ক্রিন খল্লগা দ্রামাগী অদুম্না সাইদ অমতংদগী লীলা য়েংনবা ষ্টেজ খূৎশেমদুনি। মসিমদি মমাঙদসু ঐনা পঞ্জখ্রে, লীলা শান্নবদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমনি। অদুবু মদু য়াম্না চেকশিন্না শাবীরগা দেকোরেসন ওইনা নিংথিনা শেম্মগা থনম্লবনিনা হোংদোকপসু হেক য়াদবা য়াওই। মসিগী ৱারীনি লীজগদৌরিসি। লমসি হায়রসু কৈসু কায়দে, অকায়বা ৱা নত্তে। মতমদুদা লীলা য়েংবীখিবা লমদমদুগী ময়ামসু শোয়দনা নীংশিংবীরমগনি। লৈমপোকপমদা লৈবা স্কুলদুগী লম্পাক্তা লীলা চেরিটি অমা শান্নবা চৎলি। দ্রামাগী অদুম্না স্কুলগী ভেরন্দাদা ষ্টেজ শেম্বীরম্মী। অদুগা ওদিএন্সনা সাইদ অমদা য়েংনবা চ্যেরগা থাদুনা শেম্বীরম্মী। হোংদোকপসু নুংঙাইররোইদবা ফীভম খরা লৈরে। অদুনা লীলাদু অদুম ষ্টেজদুদা শান্নরে। লীলাগী কন্না নুংঙাইখৎলকপা মতমদুদা, ঐগা ঐগী মরুপ হৌজিক্তি লৈখিদ্রে ধনবিরগা থোকপনি, ইবানিসি ৱারী শান্নরম্বনি। ঐনা মায় লৈথোক্লগা এক্টিং তৌরিঙৈদা ময়ামসি য়াম্না কন্না নোকখি। ঐনা করি তৌরবনো হায়না লৈশিল্লুবা মতমদা ধনবিরদু ষ্টেজদা লৈরমদ্রে। এ! কদাইদা চৎখ্রবনো হায়না ঙকচাননা লৈরিঙৈ মতমদা মহাক ষ্টেজ মখাদগী মঙক লিংখৎলক্লগা কাখৎলকই। মাদি ষ্টেজগী মনীংদুদা পুথৎখ্রগা এক্টিং তৌরিঙৈদা মখাদা লোংনা শেৎথখ্রজাৎনি। অদুদা ময়ামদুনা হেক্তা খাঙবা ঙমদখৈ নোকপা ওই লৈরম্মে। মানা তারিদুদা শোকপা পনবগী ৱা করিসু খন্দনা লেপ্পম্বদগী লোংনা তাখিবদুদা ময়ামসি হেক্তা নোকখিবগী ৱানিসে। ইবানি ময়ায়দুদা ফনা কুইনা নোকই। মাদি চৈনা খরা লৈবজাৎনি। শুগৎলপ তৌরগা নোকই। মাগী মতৌদুদা ঐনা খঙবনিনা লীলাদু মখা চথরগা সিনদু লোইশিল্লি। মসি লীলা য়েংবীখিবা মতমদুগী ওদিএন্সশিংনা শোয়দনা নীংশিংবীরমগনি। লীলাদা লীলা তাখিবগী থৌদোকনি। লীলাদু নুংঙাইত্রসু, ৱারীদু কাউনখ্রসু, ষ্টেজদগী তাখিবদুমদি ময়াম শোয়দনা হৌজিকসু নীংশিংলমগনি।

মমাঙঙৈদদি শুমাং লীলাসি ষ্টেজ য়াওদবা য়াদবা অমগুম্না চৎনবী অমা ওন্থোরকখ্রে। মফম খুদিংদা ষ্টেজ শারগা লীলা তৌরে। হৌজিক্তি ষ্টেজ শাদবা শুমাং লীলাবু ইউ উদ্রে খল্লি। খঙদে, শুমাংদা করিদা শান্নরিব্রা, নৎত্রগা লম্পাক্তা ষ্টেজগা য়াওদনা শান্নরিব্রা হায়বা অদুমদি ঐ খঙজদ্রে। মমৈদদি শুমাংদা লীলা পেন্না শান্নজরম্বা ঐখোয় অৱাংবা ষ্টেজ কাখ্রে। থওইনা টেন্ট হাওস লৈরিবা কাঙবুনসু শুমাং লীলাগীদমক য়েংদুনা য়োৎনা শেম্বা ষ্টেজ শাখ্রে। মদুগী মতাংদুসু ঐগী নাক্তা লাক্তুনা টেন্ট হাওসকী মপুনা কয়াম পাক্কদবা হায়বনচিংবা হংবা লাকখি। মণিপুরসি নুংঙাইখ্রজাৎনি। অসুম্না হৌজিক্তি লৈকায় লৈকায়দা ষ্টেজ শারগা থম্বা মদুবু শানবা মী ময়াম অমা লৈরে। অদুদা নত্তনা ষ্টেজগী অকোয়বদা দেকোরেসন নিংথিনা তৌনরে। হোয়, মশা নানবা, ফজবদুবুদি পাম্মী। মদু য়াদে হায়বদি লৈতে। অদুবু শুমাং লীলাগী মশক্তা হোংলক্লিবা অসিমদি থোইদোক্না মীয়াম্না লুনা লৌনদখিবগুম ঐদি খল্লি। মসি লীলা তৌজরিবা ঐখোয় ইশামকসু য়াওশিনখ্রিবনি।

হান্না লৈরম্বা শুমাং লীলানা মশক ফজনা ওল্লকপসি ঐগী মতমসিসু অমনি। ঐগী মতমদা ধোলোক অমগা রামতন অমগা লীলা শান্নরম্বদু, হৌজিক্তি মখল কয়াগী সোফিষ্টিকেটেদ ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট ময়াম অমা য়াওরে। মসিসু অহানবদা হারমোনিয়ম অমা ধুলকি নৎত্রগা তবলা অমা, গিটর অমা লোইরে। মতমদুদা মাইক্রোফোনসু অনী নৎত্রগা অহুমদগী হেন্না লৈরমদে। মাইক খোংবা অমনা মাইক্রোফোন মরিগা শুরদি লৈকায়দুদা মঙোন্দগী হেন্না মাইক অফবা লোয়বা লৈত্রে খন্নরম্মীবনি। মদু মানা মেছিন অনী সেরিজ তৌরগা মাইক্রোফোন মশীং হেলহনবনি। ঐখোয়গীদি লৈরম্বা মাইক্রোফোনদুদা লীলা শান্নবনি। মাইক্রোফোন অনী থনম্বা মফমদদি ময়ায়দা দাইলোগকী অমা, অমনা ঈশৈ শকফমদা অমা থম্মী। ঈশৈ শকপগী মতাংসি নুংশিখ্রজাৎনি। ঈশৈ শকপদা অশকপদুনা শকপা খুদিংগী মচিন ময়াদা মাইক থাংজিনগনি। অদুগা ম্যুজিক মতমদনা হারমোনিয়ম, তবলা অদুগা গিটরদা নকশিন নকশিন্না খূৎনা পায়রগা তানবা হায়দুনা হোৎনরম্মী। কোন্নথংদতা মাইক্রোফোন মশীং য়ামখৎলকপগী ৱানি। অহানবদদি মসি মওং অমদা তৌরম্মীনি। মমৈদদি ঐখোয় ইশানা মাইক্রোফোন অনী/অহুম, স্পিকর, ৱায়র, মাইক্রোফোন মরী, ষ্টেন্দ লৈরগা লীলা মফমদা পুরগা চৎলি। মসিসু ঐখোয়না হৌদোকখিবনি। মদু অতৈগী নত্তে, ওদিএন্সকী য়েংলগা ময়ামগী নুংঙাইনবা শেল তিংখৈ, ঐখোয়না এদিসনেল খরা পুরগা চৎপগী ৱানি। মসিসু হৌদোক্লম্বনি, কোন্নথংদদি, মণিপুরগী মাইক অফবা লোয়বশিং অসি ঐখোয়গী লীলাগী রিজার্ভ তৌদুনা লীলা মফম খুদিংগী পুবা হৌরে। মসিগী হোংলক্লিবা ময়াম অসি ঐ ইশাগসু শাগোন্নরগা থৌওইনা মদুমাইনা শিল্লগা তৌরকখিবা ঙাক্তনি। ম্যুজিক্কী মতাংসিসু মখল কয়াগী ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্টসি ঐখোয় হাপ্পবা হোৎনৈ। Triple congo, cymbal, saxophone, electric guitar, flute, violin মখল কয়াগী ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্টশিং অসি ঐখোয়না হাপ্লম্মী। লীলা য়েংলিবশিংনা অদুগুম্বা ময়াম অদুখক্তদা মমিৎ থক্লরম্মী। অদুনা ঐগী মতমসি শুমাং লীলানা মশক ওল্লকপগী মতাংসি য়াম্না চেন্নরকখ্রে। ম্যুজিক য়াওরকপা, মাইক পুরকপা, ষ্টেজ শারকপা, মেক-অপতা চেঞ্জ লাকপা, কষ্ট্যুমগী চেঞ্জ ময়াম অমা লাকপা অসি ইচেন চেন্নদুনা লাকখ্রবনি।

হায়রিবা অহোংবশিং অসি হৌজিক ময়াম্না অদুম উবীরিবা ঙাক্তনি। য়াম্না তেনবা মতমগী মনুংদা শুমাং লীলানা মশক হোং হোংদুনা ঙসিসু মীয়ামগা নকশিন্ননা লৈমীন্নরম্মী। অহিংবা পর্ফোর্মেন্স অমা ওইবা ঙল্লি। হোয় হান্নগুম্না মতিং লৈবমক নৎত্রবসু মীয়ামগদি শম্নবা ঙল্লি। মীয়ামগা শম্নবা ঙমদবা থাঙমু নাওমু ওইনা লমদমসিগী লৈহাওদা হৌমিন্নরকখিবা, ফজরবা আর্ট ফোর্ম কয়া অমসু লৈরি। অদুবু মখোয়দি মতিং লৈনা হিংবা ঙমদদুনা লোইনা শিথরকপা য়াওনরে। ৱারী লীবা, লাইরিক হায়বা-থিবা, খোংজোম পর্ব্ব, পেনা ফমশক, মোইরাং সাই, বাসোক ঈশৈ, চালি ঈশৈনচিংবা মমল নাইদ্রবা ফজরবা লমদমসিগী নাট শক্তম শাগোন্নবা পর্ফোর্মেন্স কয়া অসিনা মাঙখিবা হায়বসি ঐখোয়গী য়াম্না লাইবক থীবনি। মসিগী থাক অসিদা শুমাং লীলানা লাক্তবা ওইসনু। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৬৮

**উসম ধনঞ্জয়**

**দিসেম্বর ৩১, ২০০৯ ইং :-** শম্বলৈ সেকপিলনা গিনিস বুক ওফ ৱর্ল্ড রেকোর্ড চল্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী হোৎনজমনবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা শম্বলৈ সেকপিলবু শেল্লিবা মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোদা লুপা লাখ মঙাগী শেনফম পীখ্রে। লোয়ননা "খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক সী বি আইদা শিন্নবদা লৈঙাক্লা য়ানীংদবা লৈতে" হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএত্তা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়, শম্বলৈ সেকপিলনা গিনিস বুক ওফ ৱর্ল্ড রেকোর্দতা য়াওরকপা অসিনা মণিপুরদা নত্তনা ইন্দিয়াবু মালেমদা শকখঙহল্লি। মসিমক য়াম্না লাইবক ফবনি। লৈঙাক্লা শম্বলৈ সেকপিলবু শেল্লিবা ওকেন্দ্রোদা শেল পীদুনা মক্তিক্লবা নত্তে। মহাক্কী হোৎনজমলদা ইকায়খুম্নবনি। তুংদসু মহাক্কুম্বা তোঙান তোঙানবা লম্ কয়াদা হৈথোই শিংথোইরবা মীওই কয়াসু থোক্লক্কনি হায়বগী আশা তৌই।

অনৌবা চহীনা লাকপদা চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়, অনৌবা চহী ২০১০ অসিদদি শান্তি অমসুং চাওখৎ থৌরাংদা হেন্না খুমাং চাওশিলহনবা ওইরসনু। কুমজা ২০০৯দা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। অদুবু লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০১০দদি হায়রিবা থৌদোকশিং অসি থোক্তবা ওইরসনু।

চহী অসিগী জুলাই ২৩ থৌদোক্কী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়, থৌদোক অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা মেজিষ্টরিএল ইনক্কারি তৌনবা থৌরাং তৌরম্বদগী পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না জুদিসল ইনক্কারি হৌখ্রে। সী বি আইদা কেস অসি শিন্নবা মতমদা লৈঙাক অসিনা ফোঙদোক্তুনা লাকপা ৱাফমদি, জুদিসল ইনক্কারি অসিদগী ফংলকপা ফাইন্দিং অদুদা অপেনবা পোক্ত্রবদি সী বি আইদা শিন্নগনি হায়বসিনি। জুদিসল ইনক্কারি অসি মপূং ফানা চথখিবা তারবদি মসিদা ফংলক্লিবা ফাইন্দিংশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্লবগী ফিরেপ লৈ। অদুবু হায়রিবা ৱাফম অসিদা পেন্দবগুম লৈখিদ্রবা শঞ্জিৎকী অপোকপীনা গৌহাটি হায় কোর্টতা ৱাথোক অসি ইন্দিপেন্দেন্ট বোর্দ অমদা থিজিনহনবীয়ু হায়না হায়জবা লৈখ্রে। ৱাফম অসিদা হায় কোর্টনা ষ্টেট লৈঙাক্তা দিরেক্সন পীরক্লবদি ষ্টেট কেবিনেট মীফমনা কেস অসি সী বি আইদা শিননবা ৱারেপ লৌগনি। মসিদা লৈঙাক অসিনা নুংঙাইতবা করিসু ফাওদে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

অপূনবা লূপনা থম্লক্লিবা দিমান্দশিংগী মতাংদা সী এমনা হায়, দিমান্দশিং অদুগী মরক্তা তৌবা য়াবা খরা অমসুং তৌবা য়াদবা থবকশিংগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং অপূনবা লূপকী মরক্তা ঈ-পাউ ফাওনদুনা লৈ। ৱাফমশিং অসিদা মখোয়না য়েংশিল্লিব্রা নৎত্রগা ৱাখল খল্লিব্রা হায়বদুদি পাউখুম ফংদে। হৌজিক্তি আইনগী ওইবা থোঙদা থেংনরিবনা লিগেল এক্সপার্ট ময়াম অমা তানদুনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিল্লি।

ষ্টেট অসিদা স্কুল শঙশিং মতম শাংনা বোয়কোট তৌদুনা লৈবা অসি য়াম্না নুংঙাইতবা থৌওংনি। হান্নদগী হৌনা অপূনবা লূপ, জে এ সী অমসুং মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনা মহৈ তম্বদা অপনবা পীবিগনু হায়না আপিল তৌদুনা লাক্লি। মখা তানা হৌজিকসু মহৈ-মশীন তম্বদা অপনবা পীবিগনু। লৈঙাক্কী স্কুলশঙশিংনা মহৈ তম্লগা, প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা স্কুল কাদনা লৈরকপগী মতাংদা প্রাইভেট স্কুলগী মেনেজিং কম্মিটি অমগা খন্নখ্রে। অদুবু মখোয়না থমখিবা ৱাফমশিং অদু করিমত্তা পাউ হন্দোরকপা লৈত্রে হায়নসু সী এম ইবোবীনা হায়খি।

প্রাইভেট স্কুলগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়, মহৈরোয়শিং লাইরিক তম্নবগীদমক প্রাইভেট স্কুলদা সিক্যুরিটি পীনবা হায়জরকপা লৈত্রি। করিগুম্বা অকায় অতোয় থোক্লগদি মদু শেমজিনবীনবা খন্নবদি লৈ। অমরোমদা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা এন এস এদা ফাজিনখিবশিং থাদোক্লবা ইন্সত্রক্সন পীরক্লবদি মদু খুদক্তা ইন্নবা হোৎনৈ।

ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা শম্বলৈ সেকপীলবু শেন্নরিবা এম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, কুমজা ২০০৩গী গিনিস বুক ওফ ৱর্ল্ড রেকোর্দতা চনখিবা শম্বলৈ সেকপিল মতম অদুদা ফিট ৫০ ৱাংখি। লোয়ননা থাক ৪৪ লৈখি। অদুবু হৌজিক্তি ফিট ৬১ ৱাংলে। বোটানিকেলগী মমিংদা দুরান্তা রেফেন্স কৌই। ষ্টেট অসিদা অতাঙবা পাম্বীশিং ঙাক্তুনা থম্বগী থবক পায়খৎহন্নীংই।

টুরিজম মিনিষ্টর টি এন হাওকিপনা হায়, শম্বলৈ সেকপিল অসিবু ঙাক শেনবা ওইনা পি ঐচ ই দিগী মায়কৈদগী ঈশিংগী মতেং পীরি। লোয়ননা টুরিজমগী মায়কৈদগী করি করি তৌবা য়াবগে হায়বদু অমুক হন্না য়েংশিনগনি।

ঙসিগী থৌরমদা মিনিষ্টর এন বিরেন, এম এল এ, কে ঐচ লোকেন, এম পৃথিবীরাজ অমসুং টুরিজমগী কম্মিস্নর বি বি শর্ম্মসু শরুক য়াখি।

**দিসেম্বর ৩১, ২০০৯ ইং :-** মোবাইল সর্ভিস প্রোভাইদর এয়রটেলগী ষ্টাফ অনী - থোকচোম ওকেন্দ্রো অমসুং খাঙেম্বম জয়চন্দ্রবু কিদনেপ তৌবদা চেন্নবা কে সী পি (লময়ানবা খুমন) গী মীওই ৪ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা খূৎলায়গা কোন্ননা ফারে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদ ক্বার্টরসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা এস পিনা হায়খি, ইম্ফাল ইষ্টকী কম্মান্দোনা এয়রটেলগী ষ্টাফ অনী কিদনেপ তৌবশিং ফাগৎনবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা পুলিস কম্মান্দোনা চয়োল অনীগী মমাঙদগী থিগৎপা হৌরকখি। মখা তানা থি-হুম্বগী থবক চথরকপদা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা পোরোম্পাৎ থৱানথাবা লৈকায়দগী নুপী অনী ফাগৎখি। মখোয় অদুদি - সেঞ্জম নিংঙোল ৱাইখোম ওংবী পেতেশ্বরি এলিয়জ কৃতিকা (২৩) মপুরোইবগী মীং অজিৎ খুরাই থিঙোম লৈকায় অমসুং লাইশ্রম নিংঙোল মেমী (২৮) মপুরোইবগী মিং ঝুলোন উপোকপী লাই হরাওফম মনাকনি হায়না এস পিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মখোয় অনী ফারবা অমসুং ৱাহং পাউহং চথরবা মতুংদা মখোয় অনীনা মোবাইল ফোন তৌরগা কৌবদগী নুপা কেদর অনী অমসু ফাগৎপা ঙমখি। মখোয় অদুনা এন জি অবুংচা এলিয়জ সুসিল এলিয়জ বোইচা (৩২), অপোকপগী মিং লৈখিদ্রবা এন জি ব্রজবিহারি, খোয়াথোং পুখ্রি অচৌবা মপান অমসুং করাম অবুংচা এলিয়জ মীজাও এলিয়জ মহেশ (২২), অপোকপগী মিং কে শামু, লম্ফেল য়াইফ লৈকায়নি। মখোয় অনী ফাগৎপগা লোয়ননা খূৎলায় ময়াম অমসু ফংবা ঙমখি। খূৎলায়শিং অদুদি এ কে ৫৬ এসোল্ট রাইফল ১, লেথোদ লোঞ্চর গন ১, এ কে ৫৬কী মেগজিন ৩, লেথোদ বোম ৫, মেগজিন হাপ্পনবা খাউ ১, এ কে ৫৬কী মরূ ৫০ অমসুং চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমনি হায়না এস পিনা হায়খি। খূৎলায়শিং অসি মপাউ থাঙ্গাল এরিয়াদা লোৎশিন্দুনা থম্মী হায়না ফারবশিংনা ফোঙদোকপদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোনা মফম অদুদা চৎলগা ফাগৎলুবনি হায়নসু এস পিনা হায়খি।

ফাগৎলবা মীজাউবু ৱাহং পাউহং চথবদা হন্দক এয়রটেলগী ষ্টাফ অনী ফাবদা মরু ওইনা চেন্নবা মীওইশিংনা কম্মান্দর মনি, ফুমলৌদগী সর্জন্ট মেজর লৈঙাকপা এলিয়জ ইয়াম্বা, লাবা এলিয়জ লৈশেম্বা, তেরাদগী মচা, ময়াং ইম্ফালদগী থোইবী অমসুং ককাবীনি হায়বা খঙবা ঙমখি। থোইবী অমসুং লাবদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ২৬শুবা অসাম রাইফলসকা মপাউ থাঙ্গালদা খূৎ থোক্লবদা লৈখিদ্রে। মরকসিদা মীয়াম্না থোইবী মীচমনি হায়না ফোঙদোক্লরক্লিবসি অরানবনি। থোইবী মীচম নত্তে, এয়রটেলগী ষ্টাফ কিদনেপ তৌবদা চেন্নবা মীওইনি। ককাবী অমসুং বোই চীংমৈরোংদগী কুবের কৌবা মীওই অমনা মপাউ থাঙ্গালদা হাৎখিবা অদুদা চেন্নবশিংনি। কে সী পি (লময়ানবা খুমন) গী গ্রুপ থুগাইবা ঙম্লে হায়নসু এস পিনা ফোঙদোকখি।

**দিসেম্বর ৩১, ২০০৯ ইং :-** হন্দক কে সী পি (এম সি) গী মীওই অনী সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী খূত্তা লৈখিদবদু মণিপুরদা লৈবা মোবাইল সর্ভিস প্রোভাইদর এয়রটেল নেটৱর্ক কম্পনিগী মীওই ৫না সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা লৌতুনরগা হাৎহনখিবনি হায়না মরাল শীরদুনা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ অসিনা মোবাইল সর্ভিস প্রোভাইদর অসিগী মথক্তা অকনবা ৱাফম থম্লক্লি।

লালহৌলূপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন ওফিসর, পুরান্থাবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না লূপ অসিগী কমরেদ অনী সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা লৌতুনরগা হাৎহনখি হায়না মরাল শীরিবা এয়রটেল নেটৱর্ক কম্পনিগী মীওই ৫ অদুদি সেলস মেনেজর নোংমৈকাপ্রম দোরেন্দ্রো, দিষ্ট্রিব্যুটর অখাম বীপিন, টেরিটোরি মেনেজর আর কে বীপিন অমসুং এয়রটেল ক্লিক কম্যুনিকেসনগী মেনেজর অনী খাঙেম্বম জয়চন্দ্র অমদি থৌচোম ওকেন্দ্রোনি।

মখোয় মঙাগী মথক্তা লূপনা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা চেরোল অসিনা হায়, এয়রটেলগী টৱার য়ুংবা ইমুংশিংদসু অকনবা ৱাফম থম্লক্লি।

চেরোল অসিনা লৈখিদ্রবা কমরেদ অনীগী মফমদা লূপনা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা অমনা থা অসিগী ২৭কী নুমিদাং পুং ৬ লোম তাবদা রিমস রোদতা লৈবা স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটতা শক্তি লৈরবা বোম অমা পোকখায়হনখিবদু লূপ অসিননি হায়না ক্লেম তৌরক্লি। লোয়ননা বোম অদু লূপ অসিনা থমখিবা চৎন-পথাপ ঙাক্লা চত্তবগী পোকখায়হনখিবনি হায়নসু ফোঙদেরক্লি।

**দিসেম্বর ৩১, ২০০৯ ইং :-** ঙসি নুংথিল পুং ৩.১৫ রোম তাবদা খাঙবোক বজারদা ৩৪শুবা অসাম রাইফলসকী কেন্টর অমগা বজাজ পলসর অমগা (নম্বর এম এন ০৪ বি/৫৯০০) গা থেঙ্গাইনবদা পলসর থৌরকপা মীওই অদু খুদক্তা শিরে। মমিংনা থৌদাম জিতেন (৩৮) অপোকপগী মিং লৈখিদ্রবা তুগোল কৌই। লৈশাংথেম থৌদামদগীনি। কেন্টর অদুনা থৌগৎলকপনি অদুগা পলসর অদুনা থৌদরকপনি হায়রি। ●